হেলদি ইন্দিয়া প্রোগ্রাম শন্দোক্কদৌরি

ইম্ফাল,জুলাই ০৪(ঐচ এন এস)ঃ দি দি কে, ইম্ফালদা লাক্লিবা জুলাই ৭কী নুমিদাং পুং ৬তগী ৬.৩০ তাবা ফাওবা ‘য়া শেন্নবগী কান্নবা’ (লাইব ফোন-ইন-প্রোগ্রাম) হায়বসিদা শন্দোক্কদৌরিবা হেলদি ইন্দিয়া প্রোগ্রামদা এম দি এস ওর্থোদেন্টিক্স ডো. কে এস ঐচ নিলচন্দ্রনা এক্সপার্ট ওইগনি হায়ানা হেলদি ইন্দিয়া (দি সি দি)গী প্রোগ্রাম ইগজিক্যুটিব টি ঐচ ব্রজবিধুনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লাক্লিবা জুলাই ১০গী নুমিদাং পুং ৬তগী ৬.৩০ তাবা ফাওবা ‘স্মাইল ট্রেন’ (লাইব ফোন-ইন-প্রোগ্রাম) হায়বসিদা শন্দোক্কদৌরিবা হেলদি ইন্দিয়া প্রোগ্রামদনা শীজ হোস্পিটাল এন্দ রিছার্চ ইনষ্টিট্যুটকী চেয়রমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং কন্সলটেন্ট প্লাষ্টিক রিকনষ্ট্রক্টিব এন্দ কোমেষ্টিক সর্জন ডো. কে ঐচ পালিননা এক্সপার্ট ওইগনি। লাক্লিবা জুলাই ১৪গী নুমিদাং পুং ৬তগী ৬.৩০ তাবা ফাওবা মীৎকী অনাবশিং’ (লাইব ফোন-ইন-প্রোগ্রাম) হায়বসিদা শন্দোক্কদৌরিবা হেলদি ইন্দিয়া প্রোগ্রামদনা এম বি বি এস, দি এন দি ওথালমোলোজি ডো. সরুংবম বোবিনা এক্সপার্ট ওইগনি।

‘চা বগান, রব্বর প্লান্টেসন হিংগৎহল্লু’

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা জীরিবামদা লৈরিবা লিচি, চা মনা, কিশ্যুনট, রব্বর প্লান্টেসন, বেম্বু চিপ্পিং ফার্মশিং মতম কুইনা লৈঙাক্লা থওইদবনা অমসুং মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং, শিন্নীশিংগী খুৎশুমল পীদবা, ফার্ম য়েংশিন্নবা থল্লিবা চৌকিদারশিংগী ফংফম থোকপা মচাকশিং ফংহন্দবা, ফার্মগী লমদা স্পোর্টস কমপ্লেক্স, অতোপ্পা গভর্নমেন্টকী ওফিস, গভর্নমেন্টকী প্লান কয়া তৌশিল্লক্লিবা অসি খুদক্তা লেপ্তুনা শিথরক্লবা ফার্মশিং হিংগৎহল্লু অমসুং তুং কোয়না চৎনবা কয়া এক্ট শেম্বীয়ু হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা বি জে পি কিষান মোর্চা, মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ বিজেননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা দিমান্দ তৌরক্লি।

মহৈরোয় ২ ৱারকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪(ঐচ এন এস)ঃ ঙসি নুংমিৎয়ুংবা পুং ১২ তাবদা রিফোর্মিষ্ট ষ্ট্যুদেন্টস’ ফ্রন্ট (আর এস এফ)কী ইম্ফাল ইষ্টকী প্রসিদেন্ট এম দি সাকপ আলিনা লুচিংদুনা হট্টা মিনুথোং ৱার সিমেট্রি মনাক্কী স্কুলগী মহৈরোয় অনী ফারগা আর এস এফকী ময়াই লোইশঙদা পুরক্তুনা ৱারক্লবা মতুংদা অহল-লমন কৌরবা মতুং পুরকপা দেন্দ্রাইট, চুরুপ, ক্কা (দেন্দ্রাইট চিংবদা শীজিন্নবা পোৎলম) শিং অদু মৈ থাদুনা মাঙহনখি। অদুগা দুকান ফন্বীরিবশিংনা স্কুল দ্রেস শেৎলকপা মহৈরোয়শিংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী পোৎলম পীবীগনু, করিগুম্বা পীরম্বা তারবদি অফ-ফত্তগী থৌদাং খুদিংমক দুকান ফল্লিবা মশা-মশানা পুজগদবনি হায়না আর এস এফকী প্রসিদেন্টকে নৈপু কোমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

ফ্রী কোচিং ক্লাস পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪(ঐচ এন এস)ঃ লাক্লিবা জুলাই ১০দগী হৌদুনা থা অহুম চুপ্পা ক্লাস টেনগী ওইনা মেথমেটিক্স, সাইন্স, ইংলিস অমসুং ক্লাস টুয়েল্বকী ওইনা ফিজিক্স, মেথমেটিক্স, ইংলিস হায়রিবা সবজেক্টশিং অসিগী ওইবা ফ্রী কোচিং ক্লাস পাঙথোক্লগনি। ক্লাস টেনগী ওইনা খুরাই কোন্সম লৈকায়দা লৈবা খুরাই পোপুলর হায় স্কুল অমসুং ক্লাস টুয়েল্বকী ওইনা খুন্দ্রাকপমদা লৈবা নাওরেম বিরহরি (এ বি) কোলেজদা ফ্রী কোচিং অসি পাঙথোক্কনি হায়না ওল মণিপুর ষ্ট্যুদেন্টস’ য়ুনিয়ন (এমসু), ময়াই লোইশঙগী সেক্রেটরি জেনরেল এল থৌবা মৈতৈনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কোচিং অসিগী ফোর্ম ফংফম্না দি এম কোলেজ কেম্পস্তা লৈবা এমসু, ময়াই লোইশঙ, এমসু, খুরাই পোপুল হায় স্কুলদা লৈবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ওফিস, খুন্দ্রাকপমদা লৈবা নাওরেম বিরহরি ষ্ট্যুদেন্টস’ য়ুনিয়ন ওফিসনি। হেন্না কুপ্পা মরোল মোবাইল ফোন নম্বর ৭৩০৮৯১০৩২৫দা পাউ ফাওনবা য়াগনি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল,জুলাই ০৪(ঐচ এন এস)ঃ দিসএবিলিটিগী মরমদা য়াম্না হেন্না অমদি কুপ্পা খঙলবা মীওই এল ইবোমচগুম্ববু মণিপুর গভর্নমেন্টনা দিসএবিলিটি কম্মিসনর হাপ্পকপদা ওল মণিপুর দিসএবল্দ এন্দ হেন্দিকেপ পার্সন দিভলপমেন্ট এজেন্সি শিংজমৈ চিংঙামখা ক্ষেত্রি লৈকাই নম্বুল মপালনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

লোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ সোসিএল জষ্টিশ এন্দ ইমপাৱরমেন্ট গভর্নমেন্টকী মখাদা ২০১৪ গী দিসএবিলিটিগী নেসনেল এৱার্দ পীনবগীদমক হৈথোই শিংথোইরবা মণিপুরগী শোইনাইরবা মীওইশিংদগী বেষ্ট ইমপ্লোয়র দিসএবিলিটি, সেল্ফ ইমপ্লোয়মেন্ট দিসএবিলিটি, বেষ্ট শান্নরোয় দিসএবিলিটি, দিসএবিলিটিগী থবক তৌরিবা ইন্দিভিদ্যুএল অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিং মীওইশিংদগী লাক্লিবা জুলাই ২০ ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা মরোলগা লোয়ননা থাগৎলক্কবা এজেন্সি অসিনা ফোঙদোরক্লি।

‘ইনাৎলোয়শিংগী খ্বাইদগী মরু ওইরিবা মোংবা হনবা উমংসু কনগনি, লাইফমসু কনগনি’

ইম্ফাল, জুলাই ০৪(ঐচ এন এস)ঃ মোংবহনবা উমংসু কনগনি অমসুং লাইফমসু কনগনি হায়না মোংবা হনবা উমং অমদি লাইফম কনবা লূপকী থৌপুরেল য়াঙ্গোই পিবানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লমদসিগী য়েলহৌ ইনাৎলোয়শিংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা লাইফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লাইনিংথৌ মোংবা হনবগী লাইফম মোংবা হনবা উমংগী মনুংদা লৈ হায়বসিদি অমুক পন্নিংঙাই ওইদ্রে হায়জগনি। মতাংসিদা ঐখোয়না খঙনরিবা অসি মীতৈগী উমংলাই পুন্নমক উমংশিংগী মনুংদা লৈরম্মী। হৌজিক্কী মতমসিদদি উমংলাইগী লাইবুঙদা হৌরম্বা চাউর-চাউরবা উশিং লোইনা য়ান্থৎনরগা লাইগী লাইশঙ, শঙলেন্নচিংবা শাগৎনখ্রে। থৌওং অসিনা লমদমসিগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম অমসুং উমংদুদা শাইদাংলম্বা থৱায় পানবশিংদা খরদং ওইরবসু অকায়বী পীরিবনি। মরম অসিনা হীরমসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা উমংলাইশিংগী লাইবুঙশিংদা মফম চাবা য়েংবীদুনা হান্নগুম উ হৌহন্নবা থৌরাং পায়খৎপীবা চুমগনি।

ঙসি ইরমদমসিদী অৱা অনা তারিবা, তাহে-উহৈদ্রবা থৌদোকশিং তোয়ন থোক্লিবসি মোংবা হনবা উমংলেনগী লুরবা লাইফমসিদা মতম চানা ঐখোয়না হৈকৎ-লৈকৎ তমজদবা, খুরুমজদবা অসিনসু মরম অমা ওইবা য়াই হায়না লেহৌ ইনাৎলোয়শিংগী ৱাখলদা লৈনৈ হায়বসিসু চুন্নবনি। য়েলহৌ ইনাৎলোয় ঐখোয়না ঐখোয়গী য়েলহৌগী লুরবা লাইফমশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তমজবা, খুরুমজবা ফংজনবা মতমগী খোঙলৈ ঙসিদি লাক্লে, মরমসিনা কনাগুম্বগী, করিগুম্বগী অথিংবা পুন্নমক ঐখোয়না হনবা লৈতনা চপ চানা থেংনরগনি হায়না ঐখোয়গী চপ চাবা ফীরেপ লৈজরবনি হায়রি।

লমদমসিগী য়েলহৌ ইনাৎলোয় ঐখোয়গী লৈশেম নোংশেমঙৈদগী লৈজরক্লবা, ইপা-ইপুশিংনা খুরুমজরিবা লাই, ইপালাই-ইপুলাইবু মচা মশু ঐখোয়না খুরুমজগে হায়বসিদা অথিংবা পীগনি হায়না কনাগুম্বনা খল্লবদি মদু য়াম্না লানবা ৱাখল ওইগনি হায়বসিমদি ঐখোয়না হায়দবা ঙমজরোই হায়রি।

ঙসি লৈপাক মীয়ামগী মফমদা ঐখোয়না নীংশিংজনীংবদি ইরমদমগী লাইনীংবু মীয়ান লাইনীংনা খুদুম চনখিদুনা মীতৈ ঐখোয়গী লাইফম অয়াম্বা মীয়ান লাইনীংগী লাইগী শক্তম লাৎশিনবা, মমিং থোনজিনবা, মখোয়গী হৌনবী মতুং ইন্না ঈৱাৎ-ঈশোন তৌশিনবা অসিনচিংবা তৌদুনা ঐখোয়গী য়েলহৌঙৈগী লাইফম অমসুং লাইশিংবু মীয়ান লাইনীংগী লাইফম ওন্থোকখিবা মওংসিদা ঐখোয়গী অশেংবা লাইফমদুদিগী মীয়ান লাইদু পুথোকপীখ্রো, লাইফমদু মুথৎপীখ্রো হায়বদি ইনাৎলোয় ঐখোয়না ঙসি হায়জখিদ্রি। ঐখোয়না হায়জরিবদি মনাক অদুৱাইদা লৈরিবা ঐখোয়গী লাইফমদু শেমগৎচগে, খুরুমজগে ঐখোয়না কনাদসু অয়েৎপা পীজরোই, ঐখোয় নুংশি চান্নবা লৈমিন্নসি, লাই খুরুম্মিন্নসি হায়জবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মোংবা হনবা উমংগী মনুংদা লৈরিবা লাইফম হোংদোকপা য়ারোই হায়বসিমদি পুন্নক্লা খঙনরবনি। মরম অসিনা য়ারিবা মখৈ উমংগী শরুক শোকহন্দনা লাইফমদু শেমগৎপা তাবনি হায়বা মোংবা হনবা উমং অমসুং লাইফম কনবা লূপকী ৱাফমসি হোংদোকপা য়াররোইদবা ৱাফমনি।

হীচম য়াইচম পাৎতগী চঙশিল্লগা ইম্ফাল তুরেলদা দাইভর্সন থোং শাবা, তুরেল মপান্দা লন্বী শেম্বা হায়রিবা থবক অসি লৈঙাক্লা তৌবীরবদি লৈপাকসিগী মীয়ামদা হায়নিংঙাই লৈতনা কান্নগনি হায়বসিদি লৈপাক মীয়ামগী ৱাফমনি। তুরেল খোংবান্দা শেম্বা হায়রিবা থবকসি লৈঙাক্লা তৌবীরবদি লৈপাকসিগী মীয়ামদা হায়নিংঙাই লৈতনা কান্নগনি হায়বসিদি লৈপাক মীয়ামগী ৱাফম্নি। তুরেল খোংবান্দা শেম্বা হৌরক্লিবা লন্বীসিগীদমক্তা মোংবহনবা উমংগী উ পান্বী অমফাওবা য়ান্দে হায়বসিদি মফমদুদা চৎলগা য়েংলুরবা মীপুম খুদিংমক্কী ৱাফমনি। কনাগুম্বগী মফমদা মহাবলিগী উ য়ান্থৎপগী ফোটো লৈবীরবসু মদু দাইভর্সন থোং শাবা অমসুং মসিগী লন্বী শেম্বগা মরী লৈনবা শুকওই ওইরোই হায়বসিদি চান্মদা চান্মা চুন্নবা ৱাফমনি হায়রি।

হীরমসিগা মরী লৈনবা ৱাফম হৌখিবা জুন ৩০দা পাঙথোকখিবা ইনাৎ লূপসিগী মীহুৎশিং অমসুং অখঙ-অহৈশিংগী মীফম্না মশাগী করিগুম্বা ৱাখলদগী লৈপাক্কী ওইবা ৱাফমদা অয়েৎপা পীরকপা খুদিংমক য়াদে। লোয়ননা লূপ অসিনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং পুন্নমক শৌগৎকনি। লূপ অসি মপাঙ্গল কনবা লূপ ওইননবা নুমিৎসিগী মীফম্না লূপসিগী থৌপুলূপ্তা মীওই ৮ হাপচিন্দুনা থৌপুলূপসি চাউথোক-হনখ্রে হায়বা ৱারেপ অমসু য়েৎনদনা লৌখ্রে হায়রি।

অরোইবদা হায়জনীংলিবদি মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামদা কান্নগদবা হীচম য়াইচম পাৎতগী চঙলগা ইম্ফাল তুরেলদা দাইভর্সন থোং শাবীবা অমসুং তুরেল মপান্দা লন্বী শেন্বীবগী থবক অসি য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা পাঙথোকপীয়ু হায়না হৌখিবা জুন ৩০দা পাঙথোকখিবা মীফম্নসু ৱারেপ্প খি হায়বা ৱাফমসিসু মণিপুর লৈঙাক্কী মফমদা থমজরি হায়রি।

সি আই কোলেজগী প্রিন্সিপাল অনী শুবদগী চমম্নবা ফাওরে : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জুলাই ০৪(ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওজা মহেন্দ্রবু সি আই কোলেজগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা হাপ্পকপা অদুদা হান্নগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওজা নবাসু প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা অদুম লৈনবা কোর্টনা ষ্টে ওর্দর পীশিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা সি আই কোলেজ ষ্ট্যুদেন্টস’ য়ুনিয়নগী মায়কৈদা চমম্নবা অমসুং অঙকপা অমা থোকহল্লে হায়না ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন অসিগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক একাদমীক সেসন হৌরকপগী থবক কুংনা লৈরবা মতম অসিদা সি আই কোলেজদা প্রিন্সিপাল অনী লৈবা অসিনা হেন্না অকায়বা ওইহল্লে। কনাগী মরালনো হায়বা অসি লৈঙাক্লা মুন্না কুপ্পা খন্থবীরগা রিভ্যু তৌবীদুনা হাপফম থোকপা প্রিন্সিপাল অমা হাপ্পীদুনা কোলেজগী থবক থৌরমদা অপনবা পীদনবা শীনবীয়ু। লৈঙাক্লা প্রিন্সিপাল অনী অনী অসিগী মরক্তা অমা নৎত্রগা অতোপ্পা অমবু ওইরবসু থাবীরক্লবা প্রিন্সিপাল অদুবু য়ুনিয়ন অসিনা তাম্না ওক্কনি।

হৌখিবা জুন ২৫ দা সি আই কোলেজগী ষ্ট্যুদেন্টস’ য়ুনিয়নগী মিং শীজিন্নদুনা সেক্রেটরি খরনা করিসু লৈতবা মরমগীদমক লৈখা তানবা প্রেস নোট থোক্তুনা পাউচেশিংদা ফোঙদোরক্লিবা অসিদি য়ুনিয়ন অসিদা থকশি-খাশি খঙদবা অমসুং কোলেজ অসিদা তন্নিবা মহৈরোয় কয়াগী তুংগী পুন্সিদা শীংনবনি। লোয়ননা অকায়বা কয়া থোক্লকপা য়ানবগী শীনবনি।

হায়রিবা প্রেস নোট অসি থোক্লিঙৈগী মমাঙদা য়ুনিয়ন অসিবু লুচিংবা জেনরেল সেক্রেটরি, ফাইনান্স সেক্রেটরি, গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি, দিবেট এন্দ এক্সটেন্সন সেক্রেটরি, গার্লস কমন রুম সেক্রেটরিবু করিমক্তা খঙহল্লম্বা তৌদনা য়ুনিয়নগী চৎন-পথাপকী ৱাংমদা য়ুনিয়নগী মিংচৎ থীহন্নবা লোয়ননা ওজা খরবুসু মরাল শীজিন্দুনা প্রেস নোট অমা সোসিএল এন্দ কলচরগী সেক্রেটরি সি ঐচ নিলকো, বোইজ কমন রুমগী সেক্রেটরি কে ঐচ অমর্জিৎ অমসুং মেগজিন সেক্রেটরি, এম বন্দনানা পাউচেশিংদা ফোঙদোকখিবা অদু ঐখোয় সি আই কোলেজগী য়ুনিয়ননা হকচিন্না লৌই। অশোয়বা পুন্নমক মখোয় অহুম্না হায়জগদবনি। য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি য়াওনা পুন্না মশাগী মশাগী খুৎয়েক্কা লোয়ননা প্রেস নোট অমা থোকমীন্নবা হায়না অচেৎপা ৱারেপ লৌরে। লোয়ননা কোলেজ অসিদা মতুংদা ফত্ত-নুংদা থোক্লক্লবসু মখোয়না থৌদাং পুগদবনি হায়রি।

সস্পেন্দ তৌখিবদু ফহন্নিংবগীনি : দিরেক্টর

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস) ঃ হেরিটেজ কনভেন্ট স্কুলগী মহৈরোয় অহুম হাপ্তা অনীগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখিবদু মতুংদা ফত্তবা থবক তৌদনবা ৱারকপনি হায়না স্কুলদুগী এক্সিক্যুটিব দিরেক্টর বিক্রমনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

হেরিটেজ কনভেন্ট, উরিপোকতা পাউমীশিংগা উনবদা স্কুলসিগী এক্সিক্যুটিব দিরেক্টর বিক্রমনা হায়খি, হেরিটেজ কনভেন্টদা ক্লাস সেভেন তন্নিবী মহৈরোয় অহুমনা ক্লাস অদুদা তন্বী মহৈরোয় অমগী ইনবা এক্সর্সাইজ বুক তুমীন্না লৌথোকখি। এক্সর্সাইজ বুক অদু লৌথোক্লবা মতুংদা মৈ থাদোক্লমখি। এক্সর্সাইজ বুক মাঙলিবা মহৈরোয় অদুগী মমা-মপানা স্কুলদা কমপ্লেন তৌরকখি। স্কুল ওথোরিটিনা থীগৎলুবা মতমদা মহৈরোয় অহুম্না এক্সর্সাইজ বুক অসি তুমীন্না লৌথোক্লে হায়বা খঙলকখি। এক্সর্সাইজ বুক তুমীন্না লৌথোক্লম্বা মহৈরোয় অহুম অসি মতুংদা অসিগুম্বা ফত্তবা থবক তৌদনবা সস্পেন্দ তৌখি। হাপ্তা অনীগী ওইনা সস্পেন্দ তৌবনি। পুরা তাম্থোকপা নত্তে। স্কুলসিদা অদুম কাবা য়াগনি। ফত্তবা ৱাখল চুমথোক্লবা সস্পেন্দ তৌখিবনি। মহৈরোয় অহুম অসিদা স্কুল ওথোরিটিনা লৌখৎকদবা থবক করি ওইগদগে হায়বসি খন্নিঙাই ওই।

এক্সর্সাইজ বুক তুমীন্না লৌথোকপা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপানা স্কুলদা লাক্লগা ৱারী শারবদি য়াম্না ফগদবনি। স্কুল ওথোরিটিনা সস্পেন্দ তৌখিবদু অঙাংশিং অসি ফহন্নিংবগীনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

‘মহৈরোয়শিংগী চাদা ৫০ কন্সেসন পীগদবনি’

ইম্ফাল,জুলাই ০৪(ঐচ এন এস)ঃ চহী কয়া মহৈরোয়শিংগীদমক বস, ওটোনচিংবগী অতোংমল চাদা ৫০ তানা লৌনরম্মি। অদুবু ঙসিদি মহৈরোয়শিংনা চাদা ৫০ অতোংমল পীরুবদা চপ চানা পীদবা য়ারোই হায়দুনা য়েংনবা কয়া লৈবদগী ষ্ট্যুদেন্টশিংদগী অতোংমল নমদুনা লৌবীরে হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্ট্যুদেন্টস’ ফেদরেসন (এ আই এস এফ), মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট ফাইনান্স সেক্রেটরি কে ঐচ রামেশ্বরনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদা ষ্ট্যুদেন্টশিংগী গারি অতোংমল তঙ্খাইখক্তমক লৌরি অমসুং নুপীগীদমক বসকী সিট রিজার্ভ তৌরি। মণিপুর ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা ষ্টেট ওইরবসু চৎনবী অমদি চৎন-কাঙলোন কয়া মফমসিদা চৎনদে ইন্দে। অফবা কয়া মণিপুরদা হৌদোকপা য়াদে।

মহে তমজরিবা ষ্টুদেন্টশিং শেল থোকপা মীশকনৎতে, মমা-মপাদগী তাংজদুনা মহে তন্নীবনি। মমা-মপা লাইরবা ওইরবিদি মচাগী শীজন্নিবা শেল হুম্বা ঙম্লক্তে। করিগুম্বা মতমদা মহে তম্বা তোক্লিংবগী নুংঙাইতবা ৱাখল পোল্লকই। লুখ্রা ওইরবী মমানা বোয় লেবীবা ঙমদবদগী মচানুপী অদু থৌরি য়ান্দুনা শিখিবনি হায়না হন্দক্তা পাউ চেদা য়াওখিবা অদুনি হায়রি।

মরম অদুনা মণিপুরগী বস, ৱিঙ্গর, মেজিক, ওটোগী অতোংমল লৌবা মতমদা মহৈরোয়শিংদগী চাদা ৫০দং লৌবীয়ু। করিগুম্বা বস, ওটোনচিংবগী মপুশিংনা নমদুনা মহৈরোয়শিংদগী অতোংমল চাদা ৫০দগী হেন্না লৌরম্বগী কমপ্লেন লাক্লবদি এ আই এস এফনা অকনবা খোঙজং চথরগনি। এ আই এস এফনা মণিপুরদা লৈরিবা লাইরবা অমসুং মিদল ক্লাসকী ইমুংগা মহৈরোয়শিংগীদমক লেপ্পী হায়না চেরোলসিদা ফোঙদোরক্লি।

পঞ্চায়টমীহুৎশিং পান্দম ফংদ্রি ফাওবা হন্দোকখিরোই

ইম্ফাল,জুলাই ০৪(ঐচ এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট পরিষদনা মপুং ওইনা এস দি ও শিংনা বি দি ওগী থবক পুহনবগী মায়োক্তা অমদি পঞ্চায়টশিংবু নিংথিনা মপুং ফানা মথৌ মঙম পাঙথোকহন্নবা পান্দমদা হৌখিবা জুন ২১ দগী চঙশিল্লকখিবা থবক লেপ্পগী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঈকায় খুম্নরবা পঞ্চায়টি রাজকী মন্ত্রিগা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা পঞ্চায়ট মীহুৎশিংগা ঙরাং তাং ৩ গী নুমিদাংৱাইরমদা ৱারী শানখ্রে।

ৱারী শানবা অসিদা মন্ত্রিনা জুলাই ৬ ফাওবগী মনুংদা তাল্লিবা দাবিশিং পীনবা হোৎনরগনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে। ৱাফম অসিগী মতাংদা অমুক হন্না মীহুৎশিংনা নিংথিনা খন্নরবা মতুংদা অসিগুম্বা থাজবা কয়া পীদুনা লাকখিবা কয়া লৈখ্রে। অদুমওইনমক ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা থা অসিগী ৬ ফাওবা হান্নগুম খোঙজংগী খোঙচৎ কায়দনা লৈরগা তাং ৭ তগীদি হেন্না কনশিনবা মওংগী খোঙজং কয়া চথরগনি। অকনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা আর দি এন পি আরগী ওফিস পঞ্চায়টকা হকথেংননা মরী লৈনবা ওফিসশিং থিংজিনবা অসি তঙাই ফদনা পঞ্চায়ট পুরিবা গভর্নমেন্টকী লুচিংবশিংগী মীতম শাদুনা মৈ থাদোকপনচিংবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

চৈরক অসিদা মণিপুর ষ্টেট পঞ্চায়ট পরিষদকী চঙশিল্লক্কদবা খোঙজংশিংবুসু মপুং ফানা তেংবাঙনবা শেম শারে। অসিগুম্বা ক্রিটিকেল সিচ্যুএসন অমা লৈরিঙৈদা ইম্ফাল ইষ্টকী পঞ্চায়ট মীহুৎশিংনা মীশিং-নাশিংনা লৈবীনবা আপিল তৌবগা লোয়ননা মীয়াম্নসু মীহুৎশিংগী খোঙজংদা মতেং পীবীনবা আপিল তৌজরি হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট পরিষদকী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

‘ফার্মাসিশিংনা হীদাক লৌবা লাকপা মতমদা লাইসেন্সকী ফোটো কোপী লোইনগদবনি’

ইম্ফাল,জুলাই ০৪(ঐচ এন এস)ঃ রিটেল ফল্লিবা ফার্মাসিশিংনা হীদাক লৌবা লাকপা মতমদা ফার্মাসিদগী ভেলিদ ওইবা লাইসেন্সকী ফোটো কোপী অমমম লাক্লিবা জুলাই ১০ দগী লোইনগদবনি হায়না অনইমপ্লোইদ ফার্মাসিষ্ট এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা খঙহল্লি মদুদি রিটেল ফার্মাসি তৌবীরিবশিংনা হোলসেল্লরদগী হীদাক লৈবা লাকপা মতমদা মাগী মাগী ফার্মাসিগী ভেলিদ ওইবা লাইসেন্সকী ফোটো কোপী লোইনগদবনি। লোয়না লোয়ননা হোলসেল তৌবীরিবশিংনা রিটেল্লর ফার্মাসিশিংনা হীদাক পীবা মতমদা লাইসেন্স দিমান্দ তৌবীয়ু অমদি য়াওদবা মীদা হীদাক পীবীগনু। হোলসেলশিংনা লাইসেন্স য়াওদবা মীদা হীদাক পীবা য়োনবা হায়বসি দ্রগ এন্দ কোস্মেটিক এক্ট ১৯৪০গী মায়োক্তনি অমসুং লাইসেন্স কোপীগী মখাদা ইরিবনি। লোয়ননা রিটেল অমসুং হোলসেল্লর ফন্বীরিবশিংনা দ্রগ লাইসেন্স মীৎনা উবা মফমদা দিসপ্লে তৌবীগদবনি।

উপামগী মেম্বরশিংনা লাক্লিবা জুলাই ১১ দগী রিটেল ফার্মাসিগী হীদাক লৌবা লাকপা মীশিংদা মীৎয়েং চংবা হৌরগনি অমদি দ্রগ এন্দ কোস্মেটিক এক্ট ১৯৪০ গী মতুংইন্না অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়না উপামগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম দি অজিমুদ্দিন সাহনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

Regd. No. 884/SR/IW/2012
LIFE COACHING CENTRE
Ghari Makha Leikai, Airport Road, Imphal
FELICITATION HSLC EXAM. 2014
1st POSITION
Sub. Topper : ADDL. ENG.
S. SHARLIZA ANNOLY
PREMSAGAR N.
KAILASH KUMAR H.
ZEON MAKAMEI
(His Mother)
PRIYALUXMI L.
SILVA R.K.
SHANNI SHINGLAI
DEEPA KONJENGBAM
MONIKA KONJENGBAM
ADMISSION IS GOING ON
FOUNDATION COURSE (CLASSES VI TO X)
Starts on 11th June, 2014 at 4:30 p.m. to 7:30 p.m.
CLASS X REVISION & DAY BOARDING (CLASSES VI TO X)
Starts on 10th December, 2014 at 9:30 a.m. to 3:00 p.m.
HOSTEL BOTH AND VAN SERVICE
Phone No. 9089903919 OR 9615201396
HL-P/268/25.28,1,5,7,10,13,16,19,22,25,28,31,3,6/8

‘রমদান থা মপুং ফানা পাঙথোকমীন্নসি’

ইম্ফাল,জুলাই ০৪(ঐচ এন এস)ঃ শেংলবা রমদান থা অসিনা লাকপদা মণিপুরগী কাচিন-কোয়া থুংনা খুন্দারিবা মুসলমান খুদিংমক্লা মতিক মগুন লৈবা রমদান থা অসি মপুং ফানা পাঙথোকমীন্নসি লোয়ননা মণিপুরদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক নুংশি চান্নবা তুং-লৈতানা হিংমিন্নবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না শেংলবা (ৱাজায়) রমদান থা অসিনা লাকপসিদা পিপলস’ লিবরেসন ফ্রন্টকী পব্লিসিটি সেলগী এস এম এস অহমদনা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অল্লাগী রুসুন (স্ব:) তৌরম্বা নীতি নীয়ম ঙাক্লা চৎল্লগা ইবাৎ মপুং ফানা তৌবা ঙম্বা রমদান (চাক হেন্ন) থা ওইবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না অল্লা (মপু) দা দুৰা তৌজরি।

এস এম এস অহমদনা, রমদানগী চৎন-কাঙলোন অসি থুগায়গে খল্লোইদবনি, নমাস মতমদা দুকান লোনবীয়ু, ময়ায় কাবা চীঙ্গাক চাবা, জ্বার শান্নবা, টি ভি ঈশৈ-নোংমাই য়েংবা তৌবীগনু, নুপী ওইবশিংনা লন্বী লমজাওদা থোকপা তৌবীগনু। ইমুং মনুংগী অহল ওইবশিংনা রমদানগী নীতি-নীয়ম ঙাক্লা চৎননবা পাউতাক পীবীয়ু। হায়রিবা ৱাফম অসিবু থুগায়দুনা লৈরম্বা চৎলম্বা অমদি কনাগুম্বা-কনাগুম্বীনা রোজাহ হেন্দে হায়বা চপ চানা প্রমাণ ফংলবদি, মীয়াম মমাঙদা পল্ফকী ওপরেসন গ্রীন দোনগী কাদরশিংনা লৌরকপা ৱারেপ খুদিংমক্লা মশানা হরাওনা য়াজগদবনি হায়না অকনবা ৱাফম থমজরি হায়রি।

এমসুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,জুলাই ০৪(ঐচ এন এস)ঃ হৌখিবা জুলাই ৩ দা থৌবাল নিঙোম্বমদা লৈবা ইভর গ্রীন ফ্লৱার স্কুলগী মহৈরোয়শিং পুবা ভেন অমগা ট্রক অমগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থৌবাল লৈশাংথেম কালৈ মখোঙদা থোকখিবা এক্সিদেন্টদা স্কুল অসিগী মহৈরোয় অমা লৈখিদবগী থৌদোক অসি এমসুনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই। লোয়ননা লৈখিদ্রবা মহৈরোয় অসিগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু এমসুনা শরুক য়াজরি।

এক্সিদেন্ট অসিদা মহৈরোয় অমনা লৈখিদবা লোয়ননা দ্রাইভর য়াওনা ২৩ না অশোক-অপন নংদুনা লায়কন্নরিবা অসি তশেংনা লাইবক থিবা থৌদোকনি। অসিগুম্বা নুংঙাইতবা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক থোক্তনবা গাড়ী থৌবীরিবা দ্রাইভরশিংনা য়াম্না চেকশিন্না, ময়ায় কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবীদনা অমদি নীয়ম চুম্না গাড়ী থৌবীনবা হায়দুনা এমসুনা আপিল তৌজরি।

থোকখ্রিবা লাইবক থিরবা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মহৈরোয় থৌবাল লৈশাংথেম ৱাংম তাবদগী লৈশাংথেম শুসিলগী ইমুং-মনুংগী অমদি অশোক-অপন নংলবা মহৈরোয়শিংগী মফমদা এমসুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি হায়রি।

নুপী অমা মাঙখ্রে



হৌখিবা তাং ১০/১/২০১৪ ইংদা পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসন্দা শ্রীএস কুমার সিংহ, ৱাংখৈ থম্বালখোংনা মহাক্কী নুপী সেরাম ওংবী অশারানি লৈমা (চহী ৪২) অসি হৌখিবা তাং ১৮/১২/২০১৩ ইংগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ রোম তাবা মতমদা থোকখিবদগী হঞ্জিল্লক্তে হায়না কমপ্লেন্ট তৌরখি। নুপী অসি ফুট ৫ ৱাংই, মশম তেল্লি অমসুং মুই, মশা নোয়, কুচু ঙৌই হায়রি। মহাক্লা থোকখিবা মতমদা অশংবা মচুগী ফুরিৎ অমসুং ব্লু মচুগী ফনেক শেৎ-চাখি, ৱাওথাংনবা মচুগী সাল ইনখি, হৱাই চম্পল অমা তোংখি হায়রি। কনাগুম্বনা হায়রিবা নুপী অসিবু থেংনবীরবদি মখাগী এদ্রেস অসিদা নৎত্রগা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীবীয়ু।

O/C, Porompat Police Station
☎ 9856252040

HL-P/471/5

লায়েংজরি **DUTTA CLINIC** লায়েংজরি

অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি



অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে। মমল লুপা ৪৫০।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

য়ু করম্না থাদোক্কনি :

য়ুদা লায়চুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা মশা খংহন্দনা ঐখোয়গী হিদাক অসি পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঞ্জিল্লকনি। মহাক শোয়দনা য়ু থাদোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/1040/1July-31July

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-1272

2				8				4
	7				1	8	2	
	3		5	4				
	2					1		
8		7				9		2
		1					6	
				3	5		4	
	4	5	6				7	
9				2				3

Solution-1271

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

8	1	3	5	9	4	7	2	6
7	9	6	2	8	1	4	3	5
4	5	2	3	7	6	1	8	9
6	3	7	8	4	2	5	9	1
1	2	9	7	3	5	8	6	4
5	8	4	1	6	9	2	7	3
3	7	1	9	5	8	6	4	2
9	4	5	6	2	7	3	1	8
2	6	8	4	1	3	9	5	7

CROSSWORD-1459

Find the words in the grid. Words can go horizontally, vertically and diagonally in all eight directions.

V	C	S	C	H	O	O	L	R	M	C
C	C	O	C	X	H	G	J	E	H	I
T	R	P	O	R	A	K	Y	B	N	D
R	A	K	E	L	T	A	G	M	M	E
W	Y	O	B	T	D	G	S	E	U	R
I	W	L	C	R	L	E	M	T	T	Q
N	N	K	O	O	V	C	R	P	U	T
D	W	B	V	A	Z	N	J	E	A	T
Y	A	E	E	Z	N	G	B	S	Q	F
L	S	L	C	O	L	O	R	U	B	B
F	R	A	C	S	E	R	I	F	S	P

Autumn
Bus
Cider
Coat
Color
Cool
Fire
Gloves

Hat
Labor Day
Leaves
Rake
Scarf
School
September
Windy

Solution 1458



SOLUTION ON NEXT ISSUE